# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable


এমসুগী থৌমীশিংনা দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সকী হোষ্টেলদা লৈবা মহৈরোয় খরা ফুরমই হায়বা মরাল শীরদুনা মহৈরোয়শিংনা ইম্ফালদা চৎখিবা ৱাকৎ খোঙচৎ



দিল্লিগী কলাৱাতি সরন চিলড্রেন হোস্পিটালদা দেপ্যুটি নর্সিং সুপরিন্টে-ন্দেন্ট ওইরিবী অমা রিমসতা দেপ্যুটেসন থারকপদা রিমস নর্সেস এসোসিএসন্না য়ানিংদবগী প্রোটেষ্ট




মণিপুর ইন্দিয়াদা নমতিন তিলহনখিবা নুমিৎ ওক্টোবর ১৫বু অমম্বা নুমিৎনি হায়না লাউথোক্তুনা কোরকোমনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা ওইখিবা শক্তম



ইথাই খুনৌ লমখাইদা পাঙথোকখিবা মীফম্না ইথাই খুনৌ গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী অৱাৎপা ওজা থারক্ত্রিবা ফাওবা কুম্বী এ সীগী এম এল এ চঙবা য়ারোই হায়না ৱারেপ লৌবগী মীফম




Vol. 40, Issue No.196 | নোংমাইজিং, মেরা থানিল, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, October 16, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ৩১.০০ °C | ২১.১০°C |
| চান্দেল | ৩৫.৫১°C | ২৫.৩৫°C |
| সীসীপুর | ৩০.৪০ °C | ২০.৭১°C |
| ইম্ফাল | ৩২.৫৩ °C | ২০.৪৩°C |
| সেনাপতি | ৩০.৫২ °C | ১৯.২২°C |
| তমেংলোং | ৩৪.৯০ °C | ১৮.৭১°C |
| থৌবাল | ৩২.৩৮ °C | ২১.২৬°C |
| উখ্রুল | ২৬.৫৪ °C | ১৫.৪৪°C |
| মণিপুর | ৩৫.৫১ °C | ১৫.৪৪°C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৪৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## পেট্রোল, দীজলগী মমল হেনগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ : শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল হেনগৎলকপা অমসুং দোলরগা রুপিগগী এক্সচেঞ্জ রেটতা খেন্নরকপনা মরম ওইরদুনা পেট্রোল লিটরদা লুপা ১.৩৪ অমসুং দীজলনা লিটরদা... *মখা লামায় ৩ কলম ৫*

### গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

*গ্যাস এজেন্সীশিংনা গ্যাস য়েনবগী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।*

## HL POLL

**Q : India Today gi axis poll na Manipurda BJP na sit 60gi manungda 31dagi 35 faoba fangani hairisi thajabra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q : Irom Sharmila Chanuna semgadouriba political party asi Manipurgi miyamna sougatlakkadra?**

Yes 24% No 76%

## অস! লোইরেহে!

শেল তিংদনা লুহোংবীবশিংদু খরা থুনা লাক্লদি ফনিদা...!



অমদুগা থানখিবা মতম য়ৌরক্লে...!

# বি জে পিনা সিট ৩১দগী ৩৫ ফাওবা কাগনি : এক্সিস পোল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস): ইন্দিয়া টুদেনা চথুখিবা খ্বাইদগী নৌবা এক্সিস ওপিনিয়ন পোলদা অসামগী মতুংদা মণিপুর বি জে পিনা লৈঙাক পায়রগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া টুদেনা থাদোরকপা এক্সিস ওপিনিয়ন পোল অসিগী মতুং ইন্না সিট ৬০ লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না সিট ৩১দগী ৩৫ ফাওবা ফংগনি হায়না পারি। লৈঙাক পায়রিবা কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ১৯দগী ২৪ খক্তমক কাগনি। অমরোমদা, এন পি এফনা সিট অহুমদগী মঙা ফাওবা অমসুং অতোপ অতোপ্পা পার্টিনা সিট অনীদগী মরি ফাওবা মায় পাক্কনি হায়না লাইফাও পীরি।

মীখলগী মতম লাউথোক্ত্রিঙৈ, পোলিটিকেলগী ওইবা অহোংবা খরা উজরবসু ওপিনিয়ন পোল অসি চাদা ১০০ চুমগনি হায়না কনামক্তনা হায়বা ঙমখিরোই। অদুমকপু কোংগ্রেসনা মরায় চাইথরকপা উবা অমসুং বি জে পিনা ফীভম ফগৎলকপগী মওং অসিনা ওপিনিয়ন পোল অসি কনাগুম্বা খরনদি থাজনিংঙাই ওই হায়রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ১১শুবা মীখল লাক্লিবা জন্যুৱারীগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈ। মীখল অসিদা কনা কনা মীরেপ ওইগদগে হায়বদু চপ চানা খঙদ্রবসু মপুং ওইনা লম্বানগদবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা মখোয় মখোয়গী মীরেপ পুথোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইরম্বা অহুম ফম থাদোকখিবদা নত্তনা পার্টিদগীসু তোকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ৱাই ইরাবততি মাঙজৌননা বি জে পিদা য়াওখ্রে। নোংথোম্বম বিরেন অমসুং ফ্রান্সিস ঙাজোকপাসু ঙসি নোংমা নীনিসিগী মনুংদা বি জে পিদা য়াওগদৌরি হায়রি।

# গুৱাহাটি মণিপুর ভবন ঙসি চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা শঙ্গারগনি

## মণিপুরগী মশক থোকপা ভবন অমা ওইরে : ক্ষেত্রি বিরেন



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস):

ষ্টেটকী পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্টনা কুমজা ২০০৪-০৫দগী শাবা হৌরকখিবা চাউরাক্লা চহী ১১ রোম শুরবা গুৱাহাটি মণিপুর ভবন হয়েং চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা শঙ্গারগনি।

শঙ্গাবগী থৌরম অদু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা প্রসিদেন্ট, ৱার্কস মিনিষ্টর ক্ষেত্রি বিরেন অমসুং জি এ দি মিনিষ্টর দি কোরুংথাংনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইগনি। শঙ্গাবগী থৌরম হয়েং নুংথিল পুং ৩দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ১৫.২৫ রোম চঙবা ভবন অসি গুৱাহাটিগী বঙ্গাগঞ্জদা শাবনি। মথোল মরি ৱাংবা ভবন অসিদা গভর্নর অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী তোখায়বা কা অমমম য়াওরি। মিনিষ্টরশিংগী ওইবা তোখায়বা কা অহুম হাপ্লি।

চাউরাক্লা মীওই ২০ রোম ফম্বা চনগদবা অখন্নবা কনফরেন্স হোল অমা য়াওই। রেষ্টুরেন্ট অমসু হাপ্লি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ভবন অসিদা পুন্না ফম্মুং ৯০ লৈ। কা খুদিংমক্কী ওইনা এয়র কন্দিসনর হাপ্লী। ফাইব ষ্টার হোটেল অমগুম্না তরু-তনানহনবা, কা খুদিংমক্তা মতমগা চুনরবা টেলিভিজন থমই।

অনৌবা ভবন অসিগী মতাংদা ৱার্কস মিনিষ্টর ক্ষেত্রি বিরেননা পাউচে অসিদা হায়খি, অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মণিপুরগী ভবনশিংদগী গুৱাহাটিগী ভবন অসিনা খ্বাইদগী মশক থোকপা ভবন অমা ওইরে। ভী ভী আই পিশিংনা শীজিন্ননবা তোখায়বা গাড়ী অহুমসু জি এ দিগী খুথাংদা ভবন অসিদা থম্নবা থবক লৌখৎপা লোইখ্রে।

মতম শাংনা লোইশিনবা ঙমদনা লাকখিবা ভবন অসি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা অথুবা মতমদা লোইশিন্দবা য়াদে হায়দুনা মঙোন্দা অকনবা য়াথং পীরকপদগী থাখায়গী ওইনা মফম অদুদা চত্তুনা মশামক্লা য়েংশিল্লগা ভবন অসি শাবা লোইশিন্নবা হোৎনরকপনি। হৌজিক্তি শাবা লোইরে। হয়েং চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হেক শঙ্গাবগা ভবন অসি চলাইবা হৌনবা জি এ দিদা শীন্নরগনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, ভবন অসি শঙ্গারবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং অতৈ মরুওইবা মীওই খুদিংমক ভবন অসিদা হয়েং অহিং য়ারেক্কনি। মদুগীদমক জি এ দিনা থৌরাং তৌবা লোইখ্রে।

# পুলিস কষ্টদিদা শিখিবগী লাখ ৫গী কম্পেন্সেসন পীনবা কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস):

ৱাঙ্গোই মখা লৈকায়দগী থৌদাম দিগবিজয় কৌবা মীওই অমা পুলিস কষ্টদিদা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বগী মতাংদা ইমুং-মনুংনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫গী কম্পেন্সেসন পীনবা মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহনখ্রে।

লৈখিদ্রবগী অপোকপী থৌদাম ওংবী একাসিনিনা থাঙ্গৎলকখিবা ক্রিমিনেল রিট পিটিসন নম্বর ২৫ ওফ ২০১৪গী ৱায়েল পীরদুনা চীফ জষ্টিস আর আর প্রসাদ অমদি জষ্টিস এস সের্তোগী দিভিজন বেঞ্চনা হায়খি, লৈখিদ্রবা থৌদাম দিগবিজয়না হিংলিঙৈদা ইমুং পুরম্বা মরম্না হোম দিপার্টমেন্টনা থা ২গী মনুংদা লুপা লাখ ৫ লৈখিদ্রবগী ইমুংদা কম্পে-ন্সেসন ওইনা পীগদবনি। দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা হীরম অসিগী মতাংদা মপুং ফানা য়েংশিল্লগা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবগী মতাংদসু কোর্টনা খঙহনখি।

কুমজা ২০১৪গী ফেব্রুৱারী ২২গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দা নুপী-অঙাং লৈরবা থৌদাম দিগবিজয়দা মচন নুপী চেনখ্রে হায়না হিয়াংথাং মনীং লৈকায়দগী হুইরেম ইনাওচা কৌবা মীওই অমনা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন-চার্জদা ৱাকৎ চে অমা পীশিল্লকখি। ৱাকৎ অদুদা যুম্ফম ওইরগা থংনবা নুমিৎতা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী সব-ইন্সপেক্টর থোকচোম ইবোচৌবনা লূচিংবা টিম অমনা থৌদাম দিগবিজয় ফাখি। মথংগী নুমিত্তা মহাকপু জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস ইম্ফালগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা মহাকপু নুমিৎ ৫নিগী পুলিস কষ্টদিদা থম্নবা রিমান্দ পীরকখি। ফেব্রুৱারী ২৬কী অয়ুক পুং ৮ তাবদা টি ঐচ নেত্রজিৎ কৌবা কন্সটেবল অমনা দিগবিজয়বু লোক-অপকী টৌইলেটদা থৌরী য়ান দুনা শিরম্বা থেংনরকখি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবগী অপোকপীনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কেস অমা থাঙ্গৎলকপদগী হিয়ারিং চথদুনা লাকখিবনি। লৈখিদ্রবগী অপোকপীনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অদুদা মহাক্কী মচানুপা অদু মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবা নত্তে, পুলিস কষ্টদিদা তমথিনা ফু-চৈদুনা ওৎ-নৈবদগী শিখিবনি হায়না ৱাকৎখিবনি।

পিটিসনরগী মায়কৈদা এদভোকেট পি ঐচ সনাজাওবনা লেপখি অমসুং রেস্পোন্দেন্টকী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট এ ভাশুমনা লেপখি।

# শীজ হোস্পিটালনা আই ভী সী ফিল্টর প্লেসমেন্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,ওক্তোবর ১৫(ঐচএনএস):

একুট দীপ ভেন থ্রোম্বোসিসনা নারবা মীওই অমা মণিপুরদা অহানবা ওইনা শীজ হোস্পিটালদা আই ভী সী ফিল্টর প্লেসমেন্ট পাঙথোক্তুনা মায় পাক্লা লায়েংখ্রে।

শীজ হোস্পিটালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মশাগী চহী ৪৫ শুরবা নুপা অমা ওয়থংবা মখোঙদা চাউনা পোমখৎপগা লোয়ননা কা হেন্না চৈনাখোল ফাওবদগী হোস্পিটাল অসিদা পুখৎলকখি। খুদক্তা কন্সল্টেন্ট কার্দিওথোরাসিক এন্দ ভাস্কুলর সর্জন ডো. সিদার্থ লুক্রামনা মীওই অদুবু এন্তিকোগুলেন্ট থেরাপি চথবগা লোয়ননা ইন্টরভেন্সনেল রেদিও-লোজিষ্ট ডো. থাংজম গৌতমনা লূচিংবা টিম অমনা আই ভী সী ফিল্টর প্লেসমেন্ট মায় পাক্লা পাঙথোক্তুনা মীওই অদুগী পূন্সি কনবা ঙমখিবনি।

একুট দীপ ভেন থ্রোম্বোসিস হায়বসি খোঙ নৎত্রগা খুৎকী ভেন্দা ব্লদ ক্লোটনা ফুঞ্জিনবদগী মপুং ফানা ঈ চেনবা ঙমদবগী থৌওংনি। ফীভম হেঞ্জিনখ্রবদি খোঙ নৎত্রগা খুৎ পুমথরকপা য়াই হায়রি।

## য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস) :

চীংমী-তম্মী অনীগী অমত্তা ওইবগী নুংশি লীপুন ওইরিবা মেরা হৌচোংবনা লাকপদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী খুন্দামিন্নরক্লবা পূম্নমক্কী মফমদা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, নুমিৎসিনা লাকপদা ঐখোয়গী মরক্তা লৈরম্বা থাজনদবা, য়েংথিনবা অমদি লিংজেল মান্নদবা পূম্নমক মাঙখিদুনা লমদমসিদা তংদু লৈতাবা, চাউখৎপা অমদি *মখা লামায় ৩ কলম ১*

# কোরকোমগী জেনরেল ষ্ট্রাইক লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল,ওক্তোবর ১৫(ঐচএনএস):

বৃটিশকী মখুৎতগী নীংতম্বা ফঙলবা মতুং ইন্দিয়ানা মণিপুরবু কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দা নম্ফুদা লৌশিনখিবা নুমিৎ অদুবু মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়ামগী থম্মোয়দা য়েক্তুনা লৈহৌরগদবা অমম্বা নুমিৎনি হায়দুনা কোরকোমনা কৌখিবা মণিপুর পুম্বগী জেনরেল ষ্ট্রাইক ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইশিনখ্রে।

জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকপগী পাউ লৈত্রবসু মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা চৈথেং পীখি। ইম্ফাল ময়োল লমদম য়াওনা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনগী ময়োল ওইরিবা মফম পূম্নমক্তা লৈবা দুকানশিং থোঙ লোন্নখি।লন্মী লমজাউদা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং চেন্নখিদে। বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা লৈঙাক্কী লোয়শঙ অয়াম্বা থোঙ লোন্দুনা ওফিস কানখিদে। মহৈলোইশঙশিং থোঙ লোনবনা মরম ওইদুনা মহৈরোইশিং কানখিদে। মণিপুরগী মপান লম ফাওনা চেনগদবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং অমত্তা চেন্নখিদে। ইন্টর ভিলেজ রোদতা সর্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিংসু চেন্নখিদে।

বন্দ অসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মরি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, থৌবাল দিষ্টি অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট-নচিংবদা চাওনা চৈথেং ফংখি। বন্দ মনুংদা সিক্যুরিটিনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা চেকশিন্না ঙাক শেনখি। বন্দ মনুংদা হরাও কুম্মৈ, লিলা দ্রামা অমদি ঈশৈ নোংমাইনচিংবা তৌখিদে।

বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা মপান লমদগী মণিপুর তম্না লাক্কদৌবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং অয়াম্বা পন্দুনা লৈনখি। নুমিদাংৱাইরম বন্দ লোয়রবা মতুংদা অয়াম্বা ইম্ফাল তম্না লাক্লখি।













ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্লেব নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫